মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা অথৌবশিংগী নীংশিং নুমীৎ থৌরম পাঙথোক্লখিবগী শক্তম খরা

তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা অথৌবশিংগী নুমীৎ থৌরম পাক শন্না পাঙথোক্লখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৩ (ঐচ এন এস):

কুমজা ১৮৯১গী এঙ্গলো মণিপুরী ৱারদা মমা লৈবাক্কী নীংতম্বা ঙাক্লবগীদমক থৱায় থাখ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখিবগা লোয়ননা মণিপুর অমসুং মপানগী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা অথৌবশিংগী নুমীৎ থৌরম পাক-শন্না পাঙথোকখ্রে।

অপূনবা মণিপুর কনবা ইমা লূপ (অমকিল), ওল মণিপুর সোসল রিফোর্মেসন এন্দ দিভেলপমেন্ট সমাজ, তম্মী-চীংমী অপূনবা ইমা লূপ, এক্সত্রা জুদিসল এগজিক্যুসন ভিক্টিম ফেমিলিজ এসোসিএসন মণিপুর (ইভফম), নিস্পাল, মচা লৈমা, য়ুনিভর্সেল মাদরস ওর্গনাইজেসন অমদি ঈ ঈ সী ঐচ এ এলনা পুন্না শীন্দুনা অথৌবশিংগী নীংশিং থৌরম অমকিলগী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে। অমকিল অমদি তোঙান-তোঙানবা লূপশিংগী মীহুৎ কাঙবু অমনা য়াইস্কুলগী হিচম য়াইচম পাৎতা লৈবা য়ুবরাজ টিকেন্দ্রজিৎকী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকখিবা খুভমদা হৈকৎ-লৈকৎ তম্বা চৎপদা পুলিসনা অথিংবা পীবদগী খুভম অসিগী গেটতা হৈকৎ-লৈকৎ তমখ্রে। লোয়ননা মীহুৎ কাঙবু অসিনা পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা ইপু থাঙ্গালগী খুভমদসু হৈকৎ-লৈকৎ তমখি। তুংদা সাহিদ মিনরদা চৎতুনা অথৌবশিংগী মফমদসু ঈকায় খুম্নবা উৎখি হায়রি।

অপূনবা নুপী লূপ বিষ্ণুপুর (অনুন)না বিষ্ণুপুরদা, থৌবাল ইমানা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা অথৌবশিংগী নীংশিং থৌরম পাঙথোকখ্রে। জি রি ইমা অপূনবা মৈরা পায়বী লূপ (জিম্পাল)না পারী-পুরী কনবা অপূনবা লূপ, কম্মিটি এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকোহোল (কাদা), এমসু জিরিবাম য়ুনিটকা খুৎশম্নদুনা জিরিবামদা অথৌবশিংগী নীংশিং নুমীৎ থৌরম পাঙথোকখ্রে। অসাম মণিপুরী মৈরা পায়বীনসু কছার দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা অৱা পল্লি, কামরঙ্গাদা অথৌবশিংগী নীংশিং থৌরম পাঙথোকখি হায়রি।

কোংবা ক্ষেত্রি লৈকায়দা লৈবা দি জুবেনাইল থিয়েটরনসু থিয়েটর অসিগী শঙলেনদা অথৌবশিংগী নুমীৎ থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা লৈখিদ্রবা অথৌবশিংগী ফোটোদা মীয়াম্না হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখিবগা লোয়ননা ডা. কে বসন্তনা বীর টিকেন্দ্রজিৎ অমদি থাঙ্গাল জেনরেলগী মরমদা ৱা ঙাংখি।

ষ্টুদেন্টস ৱেলফ্যের কম্মিটি (এস দব্লিয়ু সী) থোংজু ফৈজালৈতোং অমদি ফৈজালৈতোং অপূনবা মৈরা পায়বীনা পুন্না খুৎশম্নরগা ১৩০শুবা অথৌবশিংগী নীংশিং থৌরম ক্লব অসিগী শঙলেনদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসিগা মরী লৈননা অথৌবা বীর টিকেন্দ্রজিৎ অমদি থাঙ্গাল জেনরেলগী ফোটোদা হৈ-লৈ কৎতুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি। নুমীদাংগী মতমদসু মৈরা কৎখি।

য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন ওফ বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট (য়ু সী ও বি আই দি) অমসুং ৱাল য়ুনাইটেদ ষ্টুদেন্টস এন্দ য়ুথস ফেদরেসন-নিংথৌখোং (দব্লিয়ু য়ু এস ৱাই এফ-এন)না মপুং ওইবা থৌদাং লৌদুনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতা লৈরিবা লূপ কয়াগা পুল্লগা লৈঙাক্কী এস ও পি ঙাক্লগা নিংথৌখোং পব্লিক পার্কতা ১৩০শুবা অথৌবশিংগী নীংশিং নুমীৎ থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা অথৌবশিংগী মফমদা হৈকৎ-লৈকৎ তমখিবগা লোয়ননা মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি। লোয়ননা অথৌবশিংদা শৈথাবা ঈশৈ অমদি পুৱারীগী লামায়বু হাংদোক্তুনা ঙসি থৌদোক অদুবু নীংশিংখি।

থৌরম অদু মৈরা পায়বী অপূনবা লূপ, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী প্রসিদেন্ট থম্বাললৈমনা মৈরা চুখৎতুনা অথৌবশিংগী মফমদা হৈকৎ-লৈকৎ তম্লগা শৈশকপা আর কে ভুবোনসনানা লৈবাক নীংবা ঈশৈ শক্তুনা হৌদোকখি। থৌরমগী মখা তারকপা ওইনা এল সী এম হায় স্কুলগী প্রিন্সিপাল কে ঐচ রাজেনকুমার, য়ু সী ও বি আই দিগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ নোরেন্দ্রো, সোসল সাইন্টিষ্ট ডা. আই এস কোন্থৌজম, দব্লিয়ু য়ু এস ৱাই এফ-এনগী সেক্রেটরি জেনরেল, কে ঐচ কাপুর সোসল ৱার্কর অমসুং য়ু সী ও বি আই দিগী সেক্রেটরি জেনরেল আর কে রোবিনকান্তনা নুমীৎ অদুবু নীংশিংবগী ৱারীশিং থমখি।

ব্রাইট ৱে ক্লব ক্বাকৈথেল লমদোং লৈকায়না লমদোং চাউখৎ থৌরাং লূপ অমসুং লমদোং লৈকায় য়াইফ থৌরাং নিশাবন্দ নুপী মরুপকা লোয়ননা লমদোং কম্যুনিটি হোলদা অথৌবশিংগী নীংশিং নুমীৎ থৌরম লমদোং কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ব্রাইট ৱে ক্লবকী প্রসিদেন্ট হৈস্নাম কিপ্গেন মঙাং, সেক্রেটরি থৌনাওজম শান্তিকুমার মৈতৈ, কনভেনর মোইরাংথেম মোধু, লমদোং চাউখৎ থৌরাং লূপকী সেক্রেটরি য়ুম্লেম্বম তোম্বনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি। লোয়ননা অথৌবশিংগী মফমদা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি।

ওল কম্যুনিটি দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন মোরে (অকোদোম), মীতৈ কাউন্সীল মোরে (এম সী এম), খা নোংপোক অপূনবা নুপী লূপ মোরে, নুপী খুন্নাই চাউখৎ লমজিং লূপ মোরে অমদি এমসু তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি মোরেগা পুন্দুনা ইমা কোন্দোং লাইরেম্বী হরাওবুংদা অথৌবশিংগী নুমীৎ থৌরম পাঙথোকখিবগা লোয়ননা মমা লৈবাক্কীদমক থৱায় কৎখ্রবা অথৌবশিংগী ফোটোদা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি।

মণিপুরী লিটরেরি এন্দ কলচরেল ফোরম, অসামনা শীন্দুনা অসামগী হোজাইদা লৈবা লংকাদা অথৌবশিংগী নুমীৎ থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসিগা মরী লৈননা ফোরম অসিগী প্রসিদেন্ট ৱাই মনিহারগী লীচিং মখাদা খন্ন-নৈনবা মীফম অমসু পাঙথোকখি। মীফম অদুদা অথৌবা বীর টিকেন্দ্রজিৎকী মরমদা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লখিবগা লোয়ননা অথৌবশিংবু ঈকায় খুম্নবা উৎখি।

অপূনবা মণিপুর হুয়েন লানলোং লূপনসু অথৌবশিংগী নুমীৎ থৌরম মিহুলসকী থাঙ-তা শঙলেনদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা কুমজা ১৮৯১গী এঙ্গলো মণিপুরী ৱারদা বৃটিশকী মায়োক্তা ইরৈপাক্কী নীংতম্বা ঙাক্লবগীদমক শোক্লখিবা লানফমদা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা লমজিং পুরেলশিং, লান্মীশিং অমদি অথৌবশিংগী মফমদা হৈকৎ-লৈকৎ তম্বগা লোয়ননা মীকুপ খরা তুমীন্না লেপ্তুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি। ঐখোয়সু অথৌবশিংগী খোঙ্গুল লীদুনা নীংতম্না হিংনবগী পুন্সিরোলদা হুয়েন লানলোং (থাঙ-তা) য়োকখৎপা হায়বসি লমদমসিগী অমত্তা ঙাইরবা পান্দমনি হায়নসু লূপ অসিগী মায়কৈদ্দগী ফোঙদোরক্লি।

হুয়েন লাল্লোং মণিপুর থাঙ-তা কলচরেল এসোসিএসন্নসু ঙসি এসোসিএসন অসিগী ইরিলবুংদা লৈবা ওফিসতা কোভিদকী এস ও পি ঙাক্লা অথৌবশিংগী নুমীৎ থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসিদা এসোসিএসন অসিগী গুরু, ষ্টাফ, ইন্সত্রক্টর, আর্টিষ্টশিং অমদি মহৈরোয়শিংনা অথৌবা বীর টিকেন্দ্রজিৎ অমদি থাঙ্গাল জেনরেলগী মফমদা থাঙগী সেল্যুট পীবগা লোয়ননা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি। থৌরমদুদা হুয়েন লাল্লোং মণিপুর থাঙ-তা কলচরেল এসোসিএসনগী গুরু কে সনাথোইবা শর্মনা ময়াই তাংবল লৌখি।

বি জে পি লম্লাই মন্দলদসু অথৌবশিংগী নীংশিং নুমীৎ থৌরম নোঙাদাদা লৈবা সোসল ৱার্কর কে ঐচ ইবোমচাগী য়ুমদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা বি জে পি লম্লাই মন্দলগী প্রসিদেন্ট ঈ অমিটকুমার, বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ষ্টেট কাউন্সীল মেম্বর কে ঐচ ইবোমচানচিংবা শরুক য়াখি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা অয়ুক অঙনবদগী এ সী অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈবাক নীংবা ঈশৈ থাদুনা মীয়ামদা তাহনখি। অথৌবা টিকেন্দ্রজিৎ অমসুং থাঙ্গাল জেনরেলগী ফোটোদসু হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি। থৌরম অদুদা কে ঐচ ইবোমচানা মীখা পোন্না লৈবগী মহুৎতা শিখিবনা ফৈ হায়দুনা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা অথৌবশিংগুম ঙসিগী মীরোলনা লৈবাক্কীদমক কখোকপগা লোয়ননা থবক তৌবা তঙাইফদে হায়না ফোঙদোকখি।

জিরিবাম ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিনসু জিরিবামগী বাবুপারাদা লৈবা জে বি সী সীগী ওফিসতা ১৩০শুবা অথৌবশিংগী নুমীৎ থৌরম পাঙথোক্তুনা অথৌবশিংগী শক্তমদা হৈ-লৈ কৎতুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি। থৌরম অদুদা মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী সেক্রেটরি ইন-চার্জ বধ্রুর রহমন, মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী কো-ওপটেদ মেম্বর জলালউদ্দিন, জিরিবাম ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ শান্তি অমদি জিরিবাম মাইনোরিটি কোংগ্রেস কম্মিটিগী কনভেনর অব্দুল মানন য়াওনা কম্মিটিগী অসিগী ৱার্করশিংসু শরুক য়াখি।

পেট্রিওটিক রাইটর্স ফোরম মণিপুর-অসাম-ত্রিপুরানসু ওনলাইনগী খুথাংদা অথৌবশিংগী নীংশিং থৌরম পাঙথোকখ্রে। পি এ দব্লিয়ু এফ মণিপুরগী প্রসিদেন্ট নাওরোইবম খম্বা লুৱাংনা মীফম মপু ওইদুনা পাঙথোকখিবা অথৌবশিংগী শৈথা শৈরেং শৈদিন্নবনা মপুং ওইবা থৌরম ওইখি। থৌরম অদুদা ফোরমগী ভাইস প্রসিদেন্ট সোবিতা মোংজম, ফাইনান্স সেক্রেটরি দেবজানি য়ুম্নাম, এগজিক্যুটিভ মেম্বর নোংমাইথেম নোরেন, এক্স-জোইন্ট সেক্রেটরি ডা. উমাবতি অথোকপম, পি এ দব্লিয়ু এফ অসামগী মেম্বর কে সী মঙাং, কে কে ৱাহেংবম অমদি রোমি তখেল্লম্বমনচিংবা মেম্বর কয়ানা অথৌবশিংদা শৈথাবা শৈরেংশিংসু পাথোকখি।

রোনেনবু খুন্দ্রাকপম এ সীদগী মীরেপ ওইনা পুথোক্লবা লেপ্নখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৩ (ঐচ এন এস):

পৌরাবিগী মীয়াম পুন্দুনা ঙসি পৌরাবি য়াইফ নহারোল কাঙলুপ (পি ৱাই এন কে)গী প্রসিদেন্ট ওইরিবা সোসল ৱার্কর কৈথেল্লাকপম রোনেনবু কুমজা ২০২২দা পাঙথোক্কদৌরিবা এসেম্ব্লী মীখলদা খুন্দ্রাকপম এ সীদগী মীরেপ ওইনা পুথোকপা হায়না লেপ্নখ্রে।

কে রোনেনবু মীরেপ ওইনা পুথোক্লনবা ৱাফম অসি ঙসি মহাক্কী য়ুমদা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী ওইবা মীফম অমনা লেপ্নখি। মীফম অদুদা কে সনায়াইমা, পি দি সী পৌরাবিগী এক্স-প্রসিদেন্ট কোন্সম অচৌ, মণিপুর ইন্দষ্ট্রিএল কোর্পোরেসনগী মেনেজর ওইরম্বদগী থবক্তগী পোত্থারবা ৱাহেংবম ইবোহনবী, ইন্দিয়ন আর্মিগী রিটয়র্দ সুবেদার মেজর ৱাহেংবম সনাহনবা অমদি পি দি সীগী প্রসিদেন্ট কোন্থৌজম কলাচান্দনা দেজ মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা বি জে পি খুন্দ্রাকপম মন্দলগী সেক্রেটরি নান্দৈবম নিলমনিসু শরুক য়াখি।

মীফম অদুদা মীয়াম্না কুপ্না খন্নরবা মতুংদা কে রোনেন অসি মীয়ামগী থবক তৌবদা মতিক চারবা মীওই অমনি হায়না লৌবগা লোয়ননা লাক্কদৌরিবা জেনরেল ইলেক্সনদা খুন্দ্রাকপম এ সীদগী মীরেপ ওইনা পুথোকপা, অৱাৎ-অপানা থল্লবা এ সী অসিদগী মীহুৎ ওইনা কে রোনেনবু থাগৎননবা অমত্তা ওইনা য়ানখিবগা লোয়ননা পুন্না থৌদাং লৌমিন্ননবসু লেপ্নখি।

লৌফমগী চাংদা হার ফংহনবীয়ু : লূপ

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৩ (ঐচ এন এস):

লৌফমগী চাংদা হার ফংহনবীয়ু হায়না মোইরাং কেন্দ্র অপূনবা লৌমী-শিন্মী অমসুং নুপী লূপকী মায়কৈদ্দগী ফোঙদোরক্লি।

মোইরাং কেন্দ্র অপূনবা লৌমী-শিন্মী অমসুং নুপী লূপকী সেক্রেটরি এল মংলেমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মোইরাং এ সীগী লৌমীশিংগীদমক হৌখিবা জুলাই থাদগী হার পীবীয়ু হায়না তক্লদুনা লাকপা অদু বিষ্ণুপুর দি সী ওফিসকী কোটতগী ফৌ খাইদোক্লগা লৌমীশিংদা তাইরকপগী পাঙ্খক্কা মান্ননা হার বেগ ৯০ খক্তি লূপকী অশেংবা লৌমীশিংদা ফংবা ঙম্লে। থৱায় পানবা খূদিংমক চীঙ্গাক মপাল তাঙলগা হিংবা ঙাক্তনি হায়বসি পুম্নমক্কা খঙনরবা ঙাক্তনি। শান্ন-খোৎনবগী লমদবু ওইরো, কলচরগী লমদবু ওইরো মালেম অসিদা মীংচৎ পুরক্লিবা খ্বাই পুম্নমক চীঙ্গাক্তা মীপাল তাঙবা ঙাক্তনি। চীঙ্গাক পুথোক্লিবা অসিগী মপুদি লৌমীনি। লৌমীবু লুনা লোয়নগদবদি লৌউ-শিংউগী লোয়শঙ অমদি লৈঙাকনি। ঐখোয় লমদম অসিদদি লৌমীবু হন্থনা য়েংবগী হৈনবী কাউদ্রি। লোয়শঙগী মকোক থোংবদি লায়রদনা পিওন ফাওবনা লৌমীশিংবু থওইবীদে।

হন্দক লৌমীশিংগী হার পীবীয়ু হায়দুনা দি সী বিষ্ণুপুরগী ওফিসতা ৱাকৎপা চৎপদা চঙহনবীদবদগী মপি ফাওবা তাখি। লৌমীশিংনা মতম চানা চাইগদবা হার লৈঙাক্লা ফাজিন্দুনা থম্বা হায়বসি করম্বা লৈবাক্তা তাখ্রবগে। বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা লৌমীশিংগী পীগদবা হার কদোমদা থৈগে হায়রিবনো। মতম চানা পীবীয়ু হায়বা অসিগীদমক দিষ্ট্রিক্ট অসিদা লৈরিবা এ সী ৬কী এম এল এশিংগী মরক্তগী অমত্তসু লৌমীগী মীচঙদা চোংথোকপীরক্তবা অসিবু লমদমসিগী চেঙ চাদ্রবরা। হৌখিবা জন্যুৱারী ৭তা চীফ মিনিষ্টরদা অইবা চেরোল অমা পীশিন্দুনা মোইরাংগী মরুওইবা থিঙেন খরা হায়বদি ঙৈদৈ দাম তেরাখোংশাংবী, খম্ব্রাম দাম, খুদোকপী মরোং লৌ তাবা কেনেল, মুক্তম থিঙেন, নিফু চাবী কেনেল সম্থোং, খুমন দার্জি কেনেল ক্বাক্তা, থম্বাল হৌবী দাম কেলি মখোঙ তাবা কেনেল শুনুসিফাই অমসুং নিংথৌখোংদগী মোইরাং ফাওবদা লৌমীশিংগীদমক ঈশিং পীনবগী শেমগৎলক্লিবা কান্নদনা লৈরবা লো কেনেলশিং অসি হন্দক্কী নোংজু মীফম অসিদা পুথোকপীদুনা খন্নবীরগা মথৌ তৌহন্ননবা হোৎনবীয়ু।

হন্দক বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা লৌমী অমদা হার বেগ অমগী চাংদা ওর্গনাইজেসনশিংদা পীথোকপা হৌরক্লিবশিং অসি অথুবা মতমদা লৌফম অদুগী চান্নবা মওংদা মথৌ তাবা হার বেগ মশীং শুনা লৌমীশিংদা ফংহনবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৩ (ঐচ এন এস):

ওল মণিপুর নুপী মরুপ, মণিপুর ষ্টেটকী কাউন্সীল্লর, নুপী মরুপ থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকীসু কাউন্সীল্লর, হৈরোক এরিয়া নুপী মরুপকী সেক্রেটরি লোয়ননা পঞ্চায়টকী মেম্বর টর্ম অনীরক ওইবীরম্লবী হৈরোক্তগী এম শখিতোম্বীনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা ওল মণিপুর নুপী মরুপ, থৌবাল দিষ্ট্রিক্টনা অৱাবা ফোঙদোকচরি হায়না ওল মণিপুর নুপী মরুপ থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী সেক্রেটরি দব্লিয়ু ভানুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, শখিতোম্বী হৈরোক এরিয়াগী নুপী মরুপ শাগৎপদা অচৌবা থৌদাং লৌবীরমখি। মহাক্লা লৈখিদবা অসিদা মেনখৎপা ঙম্লরোইদবা শরুক কয়া অমা লৈহৌরি। লৈখিদ্রবীগী থৱায়না মপুগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবা থৌনিবগা লোয়ননা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

হার লৌননবা অহিং হৌগৎতুনা ক্যু লেপ্পা চৎপদা এক্সিদেন্ট থোক্তুনা ১ শিরে, ১ শোক্লে

এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্ট অমসুং লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পাংবা য়াবা পাংবীয়ু : লৌসাল

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৩ (ঐচ এন এস):

পোরোম্পাৎতা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচর ওফিসতগী হার লৌননবা অহিং হৌগৎতুনা ক্যু লেপ্পা চৎপদা এক্সিদেন্ট থোক্তুনা অমা শিরে অমনা শোক্লে হায়রি।

থৌদোক অসি হৌখিবা ওগষ্ট ১১গী নোংঙাল্লমদাই পুং ২.৩০ রোম তাবদা চিঙারেল তেজপুরদা থোকখিবনি। থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওই অদুগী মমিং হুইদ্রোম বিবেকানন্দ (২১) অপোকপা হুইদ্রোম সনাতোম্বী কৌই। অদুগা শোক্লবা মীওই অদুগী মমিংনা হুইদ্রোম রোদি (২০) অপোকপা হুইদ্রোম শ্যাম কৌই। মখোয় অনীমক লম্লাই এ সীগী মনুং চনবা হুইদ্রোম খুলদগীনি হায়রি।

পোরোম্পাৎতা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচর ওফিসতা হার খরা ফংননবগীদমক অহিং হৌগৎতুনা চৎপদা ওগষ্ট ১১গী নোংঙাল্লমদাইদা লাইবকথীবা এক্সিদেন্ট অমা চিঙারেল তেজপুরদা থোক্তুনা লম্লাই এ সীগী হুইদ্রোম খুলদগী হুইদ্রোম বিবেকানন্দ (২১)না লৈখিদবদা লৌমী-শিন্মী অপূন লূপ (লৌসাল)না থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবা ফোঙদোকচরি অমদি ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি হায়না লৌমী-শিন্মী অপূন লূপ (লৌসাল) মণিপুরগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি পি ইনাওবীনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, লৈঙাক্কী পোলিসী শোয়বদগী লাইবক থীবা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা হুইদ্রোম বিবেকানন্দগী পীক্লিবা থা ৮গী মচা অমদি চহী নৌরিবী মহাক্কী লোয়নবীদা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্ট অমদি লৈঙাক্কী মায়কৈদগী করি তৌবা য়াবগে হায়বদু য়েংবীদুনা মখোয়গীদমক য়াইফনবা শীনবীয়ু। লোয়ননা হুইদ্রোম বিবেকানন্দগা চৎমিন্নখিবা হুইদ্রোম রোদি (২০)সু হৌজিক শোক্তুনা লৈরিবনি। মাগীসু পাংবা য়াবা, তৌবা য়াবা তৌবীননবা লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিঞ্জরি। অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসি থোক্তনবা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্ট অমদি লৈঙাক্লা অথুবা মতমদা অখন্নবা পোলিসী প্রোগ্রাম শীনবীয়ু।

হুইদ্রোম বিবেকানন্দ অসি নুমীদাং পুং ১১.৩০ দগী অহিং নোংয়াই পুং ১২.০০ তারকপা অদুদা হারগী ক্যু লেপকনি হায়না য়ুমদগী থোকখিবনি হায়রি। মহাক্কী পোকমিন্নবা ময়াম্বনা ফোন তৌরক্লগা বিবেকানন্দ নহাক হৌজিক ফাওবা লাক্ত্রিবরা লিষ্টতা মী ২০০ শুদৌরে হায়না পাউফাওনরম্বা মতম অদু ফাওবদা পৌরাবি য়ৌরে হায়রকখি হায়। বিবেকানন্দনা চৎখিবা মতমদা আধার কার্দ, লৌগী পাট্টা মরি, শেল ওইনা লুপা ১০০০ য়াওখি। থোক্লিবা থৌদোক অসিগী মতাংদা লৌসালগী টিম অমনা চৎতুনা ইমুং-মনুংগা উনরুরে। মসিদা লৌসালনা হায়জনিংলিবদি লূপ অসিনা মমাঙদগী হার অসি দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচর ওফিসখক নত্তনা মাগী মাগী ব্লোকশিংদা থাদুনা অমদি লৌমীশিংদা য়াম্না লায়বা মওংদা হার ফংহনবীয়ু হায়না থমজখ্রে। অদুবু লৈঙাক অসিনা থবক ওইনা ঙসি ফাওবা ওন্থোকপীদ্রি। মসিনা ঙসিদি অনা-অয়েক অমদি লাইবক থীবা থৌদোক থোক্তুনা মী শিবা ফাওবা য়াওরি। হৌজিক লৈঙাক্লা পীরিবা সবসিদি য়াওবা হার অসি সবসিদি য়াওদবগা পাঙ্খক ওইরে। মরমদি লোকেল লেবর অমগী খুৎশুমল অসি নোংমদা য়ামদ্রবদা লুপা ৪৫০/৫০০নি। লোকেল লেবর হায়বদি লৌ লিংলিবা, লৌ পেংলিবা অসিনচিংবশিং অসিনি। অদুনা হৌজিক হার লৌননবা হোৎনবদা লৌমী অমনা নুমীৎ নীনি চঙই। হয়েং হার লৌগদবা অসি ঙসি নুমীদাং পুং ৮দগী ক্যু লেপ্পা হৌরগা হার অসিসু নুংথিল পুং ৩ অদুৱাইদা পী। মদুনা চাকয়োম য়োল্লগা লাক্লরিবনি। নুমীৎ নীনিগী ৱেজেজ অমদি চৎথোক চৎশিনদা চঙবা শেল অসি পুন্না পাথোক্লুরবদি লুপা ১৫০০ রোম চঙই। দিলর অমদা লুপা ৮০০ লোম পীথোক্লগা য়াম্না নক্লা লৌবদুনা ফরে। মরম অদুনা লৌমীশিংগী অৱাবা অসি য়েংবীদুনা লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙবীয়ু, অৱাবা অসি কোকহনবীয়ু হায়নসু লৌসালগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

নৌরিবা মহৈরোয়শিং অমসুং মীয়াম্বু পাক-শন্না কোভিদ নাহন্ননবা অতম্না শীনখিবা থৌওং য়ানিংদে : দেসাম

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৩ (ঐচ এন এস):

জে এন ভিগী এন্ট্রান্স টেষ্ট পাঙথোকপগী মরুমদা নৌরিবা মহৈরোয়শিং অমদি মীয়াম্বু পাক-শন্না কোভিদ নাহন্ননবা অতম্না শীনখিবা থৌওং য়ানিংদে হায়না দেম্মোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এল্লাইয়েন্স ওফ মণিপুর (দেসাম)গী মায়কৈদ্দগী ফোঙদোরক্লি।

দেসামগী সেক্রেটরি জেনরেল লৈশাংথেম লময়ানবা মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হৌখিবা ওগষ্ট ১১ দা পাঙথোকখিবা জৱাহরলাল নবোদ্যা বিদ্যালয়াগী সেলেক্সন টেষ্ট এস ও পি অমসুং কোভিদ এপ্রোপ্রিয়েট বিহেবিয়র থুগায়দুনা এগজাম পাঙথোকপদা চেন্নবশিং চৈরাক পীয়ু। ষ্টেটসিগী কোভিদ লায়নাগী ফীভম ফৎত্রিঙৈ জে এন ভিগী সেলেক্সন টেষ্ট অসি তৌবীদনবা মণিপুর লৈঙাক অমদি মরী লৈনবশিংদা দেসামনা কয়ারক হায়জখি। অদুবু তাবীদনা নমদুনা কোভিদকী এস ও পি থুগায়দুনা সেলেক্সন টেষ্ট অসি পাঙথোকখি। সেলেক্সন টেষ্ট য়ারুরবা ষ্টেট অসিগী মহৈরোয়শিং কোভিদ পোজিটিভ ওইরক্লিবা অসিগী থৌদাং লৈঙাক অমদি সেলেক্সন টেষ্ট অসিবু শীল্লিবশিংনা পুগদবনি। কোভিদকী ফীভমনা মরম ওইরগা মহৈরোয় কয়া অমদি মমা-মপা পোজিটিভ ওইবা য়াওখিবনা চৎথোক-চৎশিনগী প্রোব্লেম লৈখিবা অমদি কোভিদ কিবনা সেলেক্সন টেষ্ট অসিদা শরুক য়াবা যৎখিদ্রে। থৌওং অসিনা মহৈরোয়শিংগী রাইট টু এদ্যুকেসন মৎপীবনি হায়না লৌই। ইক্বিটি ৱিথ জষ্টিস লৈহন্দবনি। নবোদ্যাগী ওথোরিটিনা এগজাম তৌনবা হায়রক্লবসু ষ্টেট অসিগী কোভিদকী লৈরিবা ফীভম অসিদা ওথোরিটিদা ৱা হায়বা ঙমদনা নম্ফুন্দা পাঙথোকখিবা হায়বসি লৈঙাক অসিগী য়াম্না চাউবা অশোয়বনি অমদি ঈকায়নিংঙাইনি। লৈঙাক অসি কদায় ফাওবা য়ৌনা শোল্লি হায়বদু উৎথোকপনি হায়না লৌই।

দেসামনা হায়জনিংবদি সেলেক্সন টেষ্ট অসিবু শীল্লি-লাংলিবশিং অমদি লৈঙাক্লা চহী নৌরিবা অঙাংশিংনা কোভিদকী এপ্রোপ্রিয়েট বিহেবিয়র ঙাকপা ঙমগনি খনবীবরা। ৱাখল মপুং ফারবা অহলশিংদা ভেক্সিন কাপ্লু হায়বদা ফাওবা ৱানা ঙাংনরিবা অমদি মাস্ক কাঙলোন চুম্না উপ্লবা তক্লরিবা লমদমসিদা ভেক্সিনসু কাপত্রিবা চহী ১১/১২ খক্তা ঙাইরিবা অঙাংশিংনা এস ও পি ঙাক্লক্কনি খনবা তারগদি করিগী লোকদাউন তৌরিবনো। করিগী কর্ফিয়ু থম্লগা মীয়াম ওৎখ্রিবনো। হৌজিকসু করিগী নাইট কর্ফিয়ু তৌরিবনো। লৈঙাক্লা কোভিদ থেংননবা হোৎনবদা থাদখিবা পাঙ্গল, লৌশিং, শেলয়ামশিং অদু প্রোপেগন্দা তৌনবরা। ঈরু ফজনা লুজথোক্লগা খোংবানদা চোংথবগী থৌওং হেনমল্লে, লেপ্পো। এগজাম অসিবু মশা-মশাগী প্রমোসনগী খন্দুনা ওথোরিটিনা হায়রকপা তৌদবা য়াদে হায়দুনা থওইনা পাঙথোক্লবা হোৎনখিবা জে এন ভি স্কুলশিংগী প্রিন্সিপালগী থৌওং দেসামনা তরাইনা লৌদে। থোক্লক্লিবা অফ-ফত্তা খূদিংমক্কী থৌদাং প্রিন্সিপালশিংনা লৌগদবনি। ষ্টেট অসিগী কোভিদকী অসুক লুরবা মতম অসিদা মপুনা হায়বা তৌদবা য়াদে হায়দুনা মপুগী য়াকা য়েংবগী লিচৎ দেসামনা য়ানিংদে। হন্দক চহীগী জে এন ভিগী সেলেক্সন টেষ্ট পাঙথোক্লবা অয়াবা পীখিবা অমদি শীল্লি-লাংলিবশিংগী মথক্তা এস ও পি ঙাকহনখিদবগী এক্সন লৌখৎকদবনি।

সেন্টরদা নোং চুরগা লমদমসিদা ছাটিন তুপ্পা, সেন্টরদা নোং চুদ্দুনা চোৎত্রবদি ঐখোয় চোৎলসু অকায়বা লৈতে খনবা মশাগী ফিরেপ লৌজবা ঙমজদবা মী হায়বদু এন্ট্রান্স টেষ্ট পাঙথোকখিবা অসিনসু হেন্না মশক থোক্ল তাকথোকচরে। ক্লাস টেন অমসুং টুয়েল্বকী এগজামদগী জে এন ভি সেলেক্সন টেষ্ট অসিনা হেন্না মরুওইব্রা। সেলেক্সন টেষ্ট অসি তৌবদা মায়কৈ কয়াদগী য়ানিংদবা ফোঙদোক্লবসু করিমত্তা খন্দুনা তৌদবা য়াদে হায়দুনা তৌখিবা অসি লৈঙাক অসিগী খ্বাইদগী মথোং হুক্তবা থৌওংনি। লাইবকথীবদি সেলেক্সন টেষ্ট য়াওরুবা কোভিদ পোজিটিভ ওইরবা মহৈরোয়না এগজাম থারম্বা রুম অদুদা এগজাম থাখিবা অতোপ্পা মহৈরোয়শিং অমদি ইনভিজিলেটরশিং অশোয়-অঙাম থোক্তনবা লৌখৎফম থোকপা থবক অথুবদা লৌখৎপীয়ু। অসিগুম্বা লুজ দবা থৌওংশিং মতুংদা অমুক হন্না তৌবীরক্কনু। লাইচৎ অসি থেংনবা হায়বসি মীয়াম অমদি লৈঙাক্কী ওইবা অপূনবা থৌদাংনা ঙমগদবনি। মীয়াম্না লৈঙাক্তা থাজবা হায়বসি লৈঙাক্কী থবক থৌওং অদুগী মখা পোল্লি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তারক্লি।

হিদাকশিং য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৩ (ঐচ এন এস):

ৱাংখৈ নিংথেম পুখ্রি মপাল মখা লৈরক্তা লৈবা সোসল অপলিফ্টমেন্ট ক্লব (সুক)তা আয়ুশ দিপার্টমেন্টতগী একোনাইট ৩০, অর্সিনিকম ৩০ অমদি আয়ুশ ৬৪ হায়রিবা হিদাকশিং অসি অমুকোগী মীৎয়েং মখাদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসনগী প্রসিদেন্ট দিজো মঙাংনা সুককী ভাইস প্রসিদেন্ট হিজম ধনবীরদা য়ুমথোঙ ২০০দা লৈবা মীওই ১৫০০ রোমগী পীবীরমদুনা লৈকায় মীয়ামদা ঙসিদগী য়েন্থোকপা হৌখ্রে। আয়ুশকী হিদাকশিং অসিগী কান্নবশিং অমদি চাবগী মতাংদা দিজো মঙাংনা শুগায়না থমদুনা, মতিং লৈবা মণিপুরী খুন্নাই অমা শেমগৎপদা মীয়াম পুন্না থবক তৌমিন্নবগী ৱাফমসু ফোঙদোকখি। সুকনা কোভিদ-১৯ লাইচৎকী লাম্থেংদা মায় পাক্লা মাইয়োং য়াদুনা হোৎনজবা ঙম্লকখিবা অসি সী এ এফ এন্দ পি দিগী মিনিষ্টর থোকচোম সত্যব্রত, ৱার্দনম্বর ২০গী কোর্পোরেটর ওইরম্বী এল তোম্বী, লৈকায় মীয়াম্না অঙম্বা মতেং পাংবীরকপা অমসুং ক্লবকী ভলন্টিয়রশিংগী মতেংননি হায়না সুককী পব্লিসিটি সেক্রেটরি এল টিকেন্দ্রনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

অথৌবশিংগী নুমীৎকা মরী লৈননা সোসল সর্ভিস কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৩ (ঐচ এন এস) :

অথৌবশিংগী নীংশিং নুমীৎনা লাকপদা পুৱারীনা লৈরকপদগী হৌনা মণিপুরগী ওইবা য়াম্না মরুওইবা লাইফম্লেন অমসু ওইরিবা লাঙ্গোল ইমা লাইরেম্বীনা কোল্লিবা লাঙ্গোল চীংশাং পরেংদা য়ু সী এম অমদি য়ু সী এমগী লাঙ্গোল য়ুনিটকা খুৎশম্নরগা সোসল সর্ভিস কেম্প অমা পাঙথোক্তুনা অমসুং চীংশাং অসিদা উ চারা থাদুনা অথৌবশিংবু ঈকায় খুম্নবা উৎখ্রে। লোয়ননা ইমা লৈবাক্কীদমক থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা ইপা-ইপুশিংবু মচা-মশু ওইবা ঐখোয়না নীংশিংদুনা মখোয়গী থৌনা লৈরবা ৱাখল্লোন 'পুন্সি চুপ্পা মীখা পোন্দুনা লৈগদবা শরুক নোংমত্তা ওইরবসু নীংতম্না হিংজগে' হায়বা ৱাখল্লোনবু ঈকায় খুম্নবা উৎপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে হায়নসু য়ু সী এমগী সেক্রেটরি ওর্গনাইজেসন শান্ত নহাকপমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ইম্ফাল সিটিগী অঙৈং-অশা অমদি ঈশিং-নুংশিৎকী ওইবা, মহৌশাগী ওইবা ফীভমবু লেঙদনা লৈহন্ননবা লাঙ্গোল হিল রেঞ্জদা ঙসি য়ু সী এম অমদি য়ু সী এমগী লাঙ্গোল য়ুনিটকা পুন্না উ-ৱা থাবগী থৌরম অসি মরুওইনা পুৱারীগা শাগোন্নদুনা লাক্লবা লাঙ্গোল চীংশাং অসিদা পুন্না খুন্দামিন্নদুনা তোঙান-তোঙানবা ফুরুপশিংনা নুংশি-চান্নবা লৈমিন্নবগী মীৎনা উবা খুদম অমা ওইরক্লবনি। অসিগুম্লবা পুৱারীগী খুৎয়েক্তসু কয়ারক হন্না লাঙ্গোল চীংশাং অসি খুন্নাই অসিগী য়েংলগা মহৌশাগী ওইবা খল কায়হন্দনা পুন্না থম্মিন্নবা চঙই। মহৌশাদগী ঈংনা চিক্লা লৈরক্লবা লাঙ্গোল চীংশাং অসিনা ঙসিগী খুন্নাই অসিগী তোঙান-তোঙানবা ফুরুপ কয়ানা পুন্না খুন্দামিন্নরক্লবা মতম অসিদা লাঙ্গোল চীংশাং অসিদা লৈমিন্নরিবা খূদিংমক্লা চীংশাং অসিগী ফজবা অসি পুন্না য়োকখৎমিন্নদুনা উ-ৱা য়ানবা, মহৌশাগী লৈজবা খলদা অকায়বা পীবা অমদি উরক-ৱারক্তা চঙদুনা ঙাওশিন্নবনচিংবা কয়া থিংমিন্নদুনা লাঙ্গোল চীংশাং অসি কনমিন্নসি। লোয়ননা ফুরুপ কয়ানা পুন্না লৈমিন্নবগী ফজরবা খুদম অদু ওইমিন্নরসি হায়নসু চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।

রূপ রাগনা হরাও নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৩ (ঐচ এন এস):

কুমজা ১৯৬০দা লিংখৎখিবা রূপ রাগনা মীয়ামগী থৌগল তৌজরকপা চহী ৬১ মপুং ফারক্লবা দাইমন্দ জুবিলিগী মতম অসিদা রূপ রাগনা কুমজা ১৯৬৭কী এপ্রিল ৯দা ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালদা ইহান হান্না লাম্থোকচখিবা ঈশৈ 'সনা লৈবাক মণিপুর'বু ঙসিগী লৈঙাক্না ইরমদমগী ষ্টেট সোং ওইনা লৌখৎপীদুনা অথৌবশিংগী নীংশিং নুমীৎতা লৈবাক মীয়ামদা শীন্নবীরকপদা হায়নিংঙাই লৈতনা হরাওবা নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি হায়না রূপ রাগ, মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি কে বিরকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ঈশৈ অসিবু শৈরেংবা বি জয়েন্তকুমার শর্ম্মনি, সুর পানবনা অরিবম শ্যাম শর্ম্মনি, ঈশৈ অসিগী ইন্সত্রুমেন্টেলিষ্ট ওইবীখিবা ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালগী মীওইশিংদি ভাইওলিনদা ওইনাম নিংথেমজাও, ক্লারিওনেৎতা লাইময়ুম তোম্বা শর্ম্মা, তবলাদা কে গৌরচন্দ্র শর্ম্মা, ইসরাজদা ক্ষেত্রিময়ুম জলচন্দ্র, সিতারদা আর কে তোম্বীসনা, বাঁশিদা বী মণি শর্ম্মনি। মতম অদুগী ম্যুজিক সুপরভাইজরনা লাইশ্রম গৌরহরিনি। শৈশকপশিংনা নুপা খোঞ্জেলদা অরিবম শ্যাম শর্ম্মা, নোংমাইথেম পহারী, অহৈবম বুদ্ধচন্দ্র, নুপী খোঞ্জেলদনা অয়েকপম নিংঙোল চোংথাম ওংবী কমলা, অয়েকপম সোবিতা অমসুং খুন্দ্রাকপম তম্ফামনিনি। মতমদুদগী ঙসি ফাওবা ঈশৈ অসি মথং-মথং রূপ রাগগী শৈশক্লোয়শিংনা মীয়ামগী থৌগল তৌদুনা লাকচরি। অসিগুম্লবা তাঙনা ফংজবা হরাও নুংঙাইবা মীকুপসিদা রূপ রাগবু লিংখৎপীরম্বা লাইওইখ্রবা তোমথিন ওইরম্বা অহল-লমনশিং অমদি মরী লৈনবা লাইওইখ্রবা পুম্নমকপু ইকোক নোন্না ঈকায় খুম্নজরি, তৌবীমল উৎচরি। লোয়ননা ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফাল, মণিপুর মীয়াম, আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্ট অমদি চীফ মিনিষ্টর, খ্বাই পুম্নমকপু রূপ রাগনা থম্মোয় শেংনা তৌবীমল উৎচরি হায়নসু চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।

থোং শেমজিনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৩ (ঐচ এন এস):

মতম কয়াগী মমাঙদগী য়েংশিনবীনবা লৈতবগুম্না ফীভম চাদনা লৈরক্লবা ইরিল তুরেল মথক্তা শাবা ক্ষেত্রি বেঙ্গুন অমসুং ক্ষেত্রি অৱাং লৈকায়গী চৎথোক-চৎশিন্দা য়াম্না মরুওইবা লম্বী অমা ওইরিবা থোং অহাইবী ইম্ফাল থোং হায়রগা খঙনরিবা অসি ক্ষেত্রিগাও এ সীদগী মীরেপ ওইননবা থৌরাং তৌরিবা এন পি পি মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী জেনরেল সেক্রেটরি (ওর্গনাইজেসন) সৈখ নুরুল হাসননা খুঞ্জাশিংগী অৱাবা কোক্লবা হায়দুনা শেমজিন-শাজিনখ্রে। লোয়ননা এ সী অসিবু অতোপ্পা এ সীশিংগা মীমান্নবা ঙম্নবগীদমক মীয়ামগীদমক হোৎনবা য়াবা হোৎনখিগনি হায়নসু সৈখ নুরুল হাসননা ফোঙদোরক্লি।

ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৩ (ঐচ এন এস):

কোংপাল ষ্টুদেন্টস ৱেলফ্যের ক্লব, লাইশ্রম লৈকায় গ্রাম পঞ্চায়ট অমদি সী এম ও ইম্ফাল ইষ্টকা পুন্না খুৎশম্নরগা নোংমগী ওইবা মাস ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম অমা পেট্রিওটস দেগা মরী লৈননা পাঙথোকখ্রে। মাস ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম অসিদা মীওই ১৭৫না ভেক্সিন কাপথোকখি হায়না কে এস দব্লিয়ু সীগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি এম প্রিয়োবর্তনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

হার তেংবাঙখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৩ (ঐচ এন এস):

খুন্দ্রাকপম এ সীগী মনুং চন্না লৈবা চনুং খুলদা সোসল ৱার্কর কৈথেল্লাকপম রোনেননা ঙরাং হার (য়ুরিয়া) তেংবাঙখ্রে। সোসল ৱার্কর কৈথেল্লাকপম রোনেননা তেংবাঙ ওইনা হার বেগ ৩০ চনুং খুলগী লৌমীশিংগীদমক খুল অসিগী প্রসিদেন্ট অমসুং সেক্রেটরিদা খুৎশিন্নখিবনি। তেংবাঙ পীখিবা অদুদা পৌরাবি দিভেলপমেন্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট কে কলাচান্দসু শরুক য়াখি।